**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফমনা ওনলাইন পেন্সন সিষ্টেম হৌদোকবা য়ান্নখ্রে।

২) নম্বোল শাবল লৈকাইগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অনিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

৩) তদুবী ফয়ার সবষ্টেসন অমসুং সেনাপতি ফয়ার সবষ্টেসনগী গেরেজ ঙসি শঙ্গাখ্রে।

৪) থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মবু মাইকৈ কয়াদা থাগৎনরক্লি।

অমসুং

৫) ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী রাজ্য মন্ত্রি এল. মুরুগান্না হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈরম্বা মীওই কোতি ২৫ লাইরবা কোকহনখ্রে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা মীফমনা থবক্তগী পোত্থারবা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী পেন্সনগী মতাংদা পনদুনা লৈরিবা ৱাফমশিং লোইশিন্নবা খন্নখ্রে।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি, ত্রেজরি ওফিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং, এ.জি. ওফিস অমসুং পেন্সন সেলগী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা পেন্সনগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা পায়খৎনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া পুথোক্তুনা খন্নখি। ওনলাইন পেন্সন সিষ্টেম অমা অথুবা মতমদা হৌদোকবসু মীফম অদুনা খন্নখি । অনৌবা সিষ্টেম অসিদা কর্ম্মচারি অমনা থবক্তুগী পোত্থাগদবা চহি অমা ৱাৎলিঙৈদা পেন্সন পীননবা থবক পায়খৎপা হৌবা অমসুং ইমপ্লোয়ি আইদেন্টিফিকেসন নম্বর অমা শিজিন্নদুনা পেন্সনগা মরী লৈননা পায়খৎপা থবক থৌরমশিং হেন্না লাইথোকহন্নবা য়াওরি।

এআর (এল)ঃ নম্বোল শাবল লৈকাইগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অনিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা অসাম রাইফলসকী গেরিসনদা পাঙথোকখ্রে। শকখঙদবশিংনা ঙরাং লুমদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুদা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অনি অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, ইষ্টর্ন কম্মান্দগী জি.ও.সি ইন চীফ, থ্রি কোরগী জি.ও.সি ইন চিফ, আই.জি.এ.আর (সাউথ) য়াওনা আই.জি. থাক্কী ওফিসারশিং, ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজনগী জি.ও.সি, সি.আর.পি.এফকী আই.জি, বি.এস.এফকী দি.আই.জি, তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমদি থবক্তুগী পোত্থারবা লান্মীগী ওফিসার কয়াসু শরুক য়াখি।

এম্ব্যুস (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শম্বল লৈকাই মপাদা ঙরাং শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা এম্ব্যুস তৌরকপদা অসাম রাইফলসকী মীওই অনি শিখিবা, মঙানা শোকখিবগী থৌদোক অদুবু মায়কৈ কয়াদগী লেপ্তুনা য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা থৌদোক অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা হায়- রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতবা পুরকবা হোৎনরিঙৈ তঞ্জা অসিদা অসিগুম্বা পাংদবগী থৌদোকশিং থোকপা অসি লাইবক থিবনি। মীয়ামদা অকি-তুজং পোকহন্দুনা শান্তিগী লম্বীদগী নাথৈনবা হোৎনরিবা অসি ইকায়নিংঙাইনি।

হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অমদি শোক্লবা পার্সোনেলশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়- লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা ঐখোয়গী থৌনা ফরবা জৱান অনিনা পুন্সি কৎথোকখিবা অদু কৈদৌনুদসু কাউররোই। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা শোক্লবা জৱানশিং থুনা ফগৎলকবা ঈশ্বরগী মফমদা পার্থনা তৌজরি। পাংদবগী থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবশিং ফাদুনা মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, নম্বোল শাবল লৈকাইগী মীয়ামসু ঙরাংগী থৌদোক অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা অসাম রাইফলসতা এটেক তৌবা য়ানিংদে, মী কুংনা তাবা মফমদা নোংমৈ কাপ্পা য়ানিংদে হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

ক্ষেতিপুরন (এল)ঃ  নম্বোল শাবল লৈকাইদা থোকখিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী জৱান অনিদা লুপা লাখ ৫-৫ অদুগা শোক্লবশিংদা লুপা লাখ ২-২ গী ক্ষেতিপুরন পীরগনি হায়না রাজ্য সরকারনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার কম সেক্রেতরি এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- শোক্লবা জৱানশিং লায়েংনবা হোৎনবদা রাজ্য সরকারগী মাইকৈদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি। থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসকী জৱান অনি হাৎখিবা অমসুং মঙানা অশোক অপন নংখিবগী থৌওং অদু সরকারনা অৱাংবা থাক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা রাজ্য সরকারনা শরুক য়ারি।

সেবা (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ৭৫ শুবা মপোক নুমিৎতা হৌদোকখিবা নুপী অমসুং অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা লৈহন্নবা অমসুং নুপীশিংদা হেন্না শক্তি পীদুনা চাওখৎলবা ভারত ওইহনবদা নুপীশিংনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌনবা স্কিম- স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ান লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লি।

অভিয়ান অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবদা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী ষ্টেট লেপ্রোসি ওফিসার সেনিয়র স্পেসিয়েলিষ্ট ডাঃ শলাম বোচানা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অশানবা মীৎয়েং মখাদা নৌনা হৌদোক্লিবা অভিয়ান অসিনা নুপী অমসুং অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা লৈহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

জেনিমস (এল)ঃ হন্দক্তা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা মতম খরা থবক লেপ্লুরবা মতুংদা জেনিমস ইম্ফাল থা অসিগী ২৩ দগী অমুক হন্না হাংল্লগনি। হোস্পিতাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার কে.ঐচ. লোকেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্মরজেন্সি, ও.পি.দি, ও.টি, লেব অমসুং রেদিওলোজিকেল ইনভেষ্টিগেসন্নচিংবা য়াওনা হোস্পিতাল অসি হায়রিবা নুমিৎ অসিদগী মপুং ফানা হাংদুনা থবক তৌবা হৌরগনি।

ফয়ার (এল)ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী মখাদা ঙসি তদুবী ফয়ার সবষ্টেসন অমসুং সেনাপতি ফয়ার সবষ্টেসনগী গেরেজ অমা শঙ্গাখ্রে। সেনাপতিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা হায়- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী অনৌবা সবষ্টেসনশিং মথং মথং হাংদোক্কুনা মৈহৌ লাংপোক অমদি মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপদা মীয়ামগী মতেং পাংননবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দিরেক্তর এল. নবাচন্দ্রনা হায়- তদুবীগী মীয়ামা মতম শাংনা তানদুনা লাকপা ফয়ার সবষ্টেসন অসি হাংদোকপদা নুংঙাইবা পোকই। মসিনা তদুবীগী মীয়াম খক্তা নত্তনা অকোইবদা লৈরিবা মাও, মরাম, মখান, পাওমাতা, লিয়াই অমসুং পুরুলগী মীয়ামদসু কান্নবা পীবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসানর মামোনি দোলে য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

জিএসটি (এল)ঃ ৫৬ শুবা জি.এস.টি কাউন্সিলনা অয়াবা পীদুনা থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম অসি মাইকৈ কয়াদা থাগৎনরক্লি।

অকাশবানি ইম্ফালগা উন্নবা অমদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন. নিম্বসনা হায়- অনৌবা জি.এস.টি. রিফোর্ম অসিনা টেক্স থিরিবা মীওইশিংগী পোৎলুম হন্থহনবতা নত্তনা পোৎ চৈগী মমল হোংনা ফংহন্দুনা লৈরিবশিং অমদি পোৎ য়োল্লিবশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। মসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ব্রাখল্লোন সবকা সাথ, সবকা বিকাশ, সবকা বিশ্বাস, সবকা প্রয়াস হায়বা মন্ত্র অসিগী মখাদা লৌখৎলকপা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি।

সেমিনার (এল)ঃ দিকোদিং ইন্দিয়ান দাইতস, ত্রেদিসনেল ৱিজদম এন্দ মোর্দন প্রোস্পেক্তিভস হায়বা হিরমদা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী জি.পি. ৱিমেন কলেজদা হৌখ্রে। নেসনেল ন্যুত্রিসন মন্থগী শরুক অমা ওইনা নুমিৎ নিনি চথুগদবা সেমিনার অদু হৌদোকপদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোন্সাংনা হায়- হকচাং ফনা লৈনবগীদমক মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা সেমিনার অসি অফবা খোঙথাং অমনি। মীওইবনা পুন্সি শাংনা নাদ-য়েক্তনা হকচাং ফনা

লৈনবা হোৎনবদা মচি ওইবা চাং চানা চাবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা গুৱাহাতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

এক্সিদেন্ট (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নুঙবা মনাক্তা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফালদগী সিলচর তমা চৎপা ক্রুইজর পেসেঞ্জর গাড়ি অমা এক্সিদেন্ট থোকপদা মদুদা তোংলকপা মীওই ১০ শোক্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- গাড়ি অদুদা পুন্না পেসেঞ্জর ১৪ তোংলকখিবনি। গাড়ি অদু এক্সিদেন্ট থোক্তুনা লোকচপ অমদা তাশিনবনি। শোক্লবা মীওই ১০ গী মনুংদা অহুমগী ফিভম লুনা লৈরি। অশোকপশিং অদু নুঙবা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংনা অনি অমনা সিলচরদা অদুগা ইম্ফালগী রিমসতা মখা তানা লায়েংলুনবা পুখ্রে।

লিগেল (এল)ঃ খা মণিপুর কলেজ ককচিংগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অমদি ৱিমেন্স সেলনা রোয়েল একাদমি ওফ লো ওইনামগা পুন্না খুৎশম দুনা ঙসি খা মণিপুর কলেজ ককচিংগী মল্টিপরপজ হোলদা আইনগী লমদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি। কলেজ অসিগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

হিন্দি (এল)ঃ লাংজিংগী সি.আর.পি.এফ কেম্পতা লৈবা সেন্ত্রেল স্কুলদা হিন্দি থখায় পালনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি হিন্দি শৈরেং পাথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রিলকলরেল য়ুনিভর্সিতিগী এগ্রিকলচর কলেজনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোই ৭০ রোমা শরুক য়াখি।

তুরিজ (এল)ঃ রেজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা ইকো তুরিজম অমসুং ইকোনোমিক লিঙ্কেজেসকী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী হেংবুং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিনবা থৌরম অদুদা কাংপোকপীগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার অমনদিপ য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

আদি সেবা (এল)ঃ জিলা থাক্কী আদি সেবা কেন্দ্র ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা শিন্দুনা চণ্ডৌবুং ভিলেজদা লৈবা য়ু.জি.বি স্কুলদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা থাক্কী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসি শোত্থনা লৈরিবা চীংমীশিংদা অহেনবা শক্তি পীননবা হৌদোকখিবনি।

এৱার্দ (এল)ঃ সি.এস.বি রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসন ইম্ফালগী হেদ অমসুং সাইন্তিষ্ট-দি ডাঃ শিনাম সুভারানি দেবীদা কেন্দ্রগী টেক্সতাইলস মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্দনা সি.এস.বি বেষ্ট সাইন্তিষ্ট এৱার্দ পীরক্লে। মসি মহাকা সেরিকলচরগী লমদা থিজিন হুমজিনবা য়াওনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংবু ইকায় খুমবা ওইনা পীরকপনি। বেঙ্গলোরদা লৈবা সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্দকী ঙসি পাঙথোকখিবা ৭৬ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা মনা অসি খুৎশিন্নরকপনি হায়রি।

ডে (এল)ঃ বানতান ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগী ফাউন্দেসন ডে অমসুং জেনেরেল বোদিগী মীফম ঙসি নোনেদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নোনেগী এস.পি- নমসাদাই পিটর পামৈ য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

মুরুগান ঃ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী রাজ্য মন্ত্রি এল. মুরুগান্না হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈরম্বা

লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ২৫ লাইরবা কোকহনবা ঙমখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা মোদিনোমিক্স-এ জরনি ওফ ইনক্লুসিভ গ্রোথ হায়বা লাইরিক অমা ফোংবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- লাইরিক অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাতকী মুখ্য মন্ত্রি ওইরিঙৈদগী হৌরগা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইরকপা ফাওবগী শাংলবা চহি ২৫ অসিদা মীয়ামগীদমক পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং য়াওরি। প্রধান মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়ানা লৈবাক অসিগী শোত্থরবা ইমুংদগী হৌরগা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীবা ঙমলে হায়নসু মহাকা শিংথাখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাতকী অহমেদবাদ মনাক্তা লৈবা অরিবা সহর লোথালদা শেমগৎলিবা নেসনেল মেরি টাইম হেরিতেজ কমপ্লেক্সকী ফিভম য়েংশিনখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা কমপ্লেক্স অদুগী কয়া য়াম্বা শরুক লোইশিল্লবগে হায়বদুসু য়েংশিনখি। ইন্দজ ভেল্লি সভৈত্যাগী মতমদা লল্লোন ঈতিক্কী মরুওইবা সহর অমা ওইনা য়ামা ঙল্লিঙৈ মতমদা শিজিন্নরম্বা মফম অসি লুপা কোতি লিশিং ৪,৫০০ চংনা শেমগৎলকপনি। কমপ্লেক্স অসি মপুং ফানা শেমগৎপা লোইরবা মতমদা ভারত্তা য়ামা ঙল্লিঙৈ মতমদগী ঈশিং লম্বীদা লল্লোন ঈতিক্কী লমদা খুমাং চাওশিল্লম্মী হায়বদু মালেমগী মীয়ামদা খঙহনবা ঙমগদৌরিবনি। প্রধান মন্ত্রিনা ধোলেরা স্মার্ট সিতি নোংথক্তগী য়েংশিনবগী থবকসু চখখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা যুমাম মনাও মেমোরিএল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা- আর.এফ.সি.সি কৈনৌনা রাইজিং ক্লব ঙাইখোংবু

পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এল.এফ.সি ঙাইখোং খুনৌ অমসুং লোক্তাক এফ.সি পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

টিটি ঃ দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ৩৭ লক শুবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্তর ক্লব এন্দ ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ মথং থাগী ১ দগী ৫ ফাওবা দি.এম. য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা ইন্ত্রি ফোর্ম থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা থাজিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

জিৎ কুন্দো ঃ জিৎ কুন্দো এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ১৪ রক শুবা ষ্টেট লেবেল জিৎ কুন্দো চেম্পিয়নসিপ মথং থাগী ১১ দগী ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

কোর্স ঃ এ.আই.এফ.এফ জোনেল রেফ্রি দিভলপমেন্ট ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নিউ রেফ্রি এসেসর ইভালুএসন কোর্স অমা লমলোংদা লৈবা আর্তিফিয়েল টর্ফতা মমাং থাগী ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট লেবেল রেফ্রি এসেসরগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকনবা কেন্দিদেট মঙা খল্লে হায়না অমফানা থোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোক্লি।

বেদমিন্টনঃ চাইনা মাষ্টরস ২০২৫ তা ভারতকী বেদমিন্টন শান্নরোই সতৱিক সাইরাজ রনকি রেদ্দি অমসুং চিরাক সেত্তি দবলসকী সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ভারতকী জরা অসিনা চাইনাগী জরাবু ক্বাটর ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংলকখিবনি।

------